**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 21-12-2025)**

**মোদি(এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অসামদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা জহাজ মথক্তা পরিক্ষা পে চরচাগী শরুক অমা ওইনা স্কুল ২৫ গী মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নগনি। মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা অসামগী ইহৌদা সহিদ ওইখ্রবা মীওই ৮৬০ বু নীংশিংবা ওইনা গুৱাহাতিদা নৌনা শাবা স্বাহিত সমারক ক্ষেত্রদা চৎকনি। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১২ চংগদবা এমোনিয়া-য়ুরিয়া ফরটিলাইজর প্রোজেক্ট ভুমি পুজনসু পাঙথোক্কদি। মহাকা নামরুপতা মীয়ামগী মীতিন অমদসু ৱা ঙাংগনি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা গুৱাহাতিদা থংখিবা শ্রী মোদিনা ঙরাং গুৱাহাতিদা লোক্কপ্রিয়া গোবিনাথ বোরদোলোই ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টকী অনৌবা টর্মিনেল বিল্ডিং শঙ্গাখি। মহাকা ফুট ৮০ ৱাংবা অসামগী ইহান হানবা মুখ্য মন্ত্রি-গোপিনাথ বোরদোলোইগী মুর্ত্তি অমসু মায়খুম হাংদোকখি।

মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বঙ্গলাগী নাদিয়া জিলাগী রানাঘাটতা লুপা কোতি লিশিং ৩,২০০ রোমগী নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট অনিসু শঙ্গাখি। মহাকা রাজ্য অদুগী নোর্থ টৌইন্তি ফোর পারগনাজ জিলাগী নেসনেল হায়ৱে থারতি ফোরগী কিলোমিটর ১৭ মিটর ৬০০ শাংবা বরাসদ-বরাজাগুলি সেক্সনগী যাত্রা হুনখি।

**এআর(এল)ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী বোর্ডর মেনেজমেন্ট সেক্রেটরি-ডা: রাজেন্দ্র কুমার ঙরাং মোরেদা চৎতুনা ভারত অমসুং ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী সেক্যুরিতিগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে। মহাকা ঙমখৈ পরিং অসিদা লৈরিবা মরুওইবা সেক্যুরিতিগী আউট পোষ্টশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা সেক্যুরিতি

এজেন্সিশিং য়াওবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্কুনা ঙমখৈ পরিং অসি নীংথিনা ঙাক শেন্নবগী ৱাফমশিং খন্নখি।

আই.জি.এ.আর. (সাউথ) কী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মীফম অদুদা মহাকা দ্রোন অমসুং মতমগা চুন্নরবা সেন্সরশিং শিজিন্নদুনা ঙমখৈ পরিং য়েংশিনবগী তঙাইফদবা ৱাফম ফোংদোকপগা লোয়ননা ঙমখৈ পরিংদা আইন কায়বা মওংদা চথরিবা থবক থৌরমশিং থিংদুনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ কায়হন্দনা থমবগী ৱাফমসু ফোংদোকখি।

**হেলথ (এল)ঃ** নোনে জিলাগী হাওচোং পি.ঐচ.সিদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট ইম্ফাল অমসুং হাওচোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি।

কেম্প অদুদা মীওই ১৫০ রোম লায়েংখি।

**আর্ট(এল)ঃ** অকোইবগী ফিভম, য়েলহৌমীগী শক্তমদা শিংনরকপা অমদি নুংতিগী হিংন্নবগী লানফমদা শিংনবশিং হায়বা হীরমদা য়েকপা লাইশিং উৎপগী থৌরম অমা ক্বাকৈথেলদা লৈবা ইম্ফাল আর্ট গেলারিদা ঙরাংদগী হৌখ্রে। থৌরম অসি থা অসিগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসিদা পেন্সননা য়েকপা তোঙান তোঙানবা পেন্টিং ২৮ উৎলি।

অমরোমদা, ক্লাস থ্রিদগীনা আইট ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংগী লেমা চথুগদবা ফাইন আর্টস কোচিং কেম্প অমা ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল খাইদেম লৈকাইদা লৈবা এস.আই. এরেনা ওফ লর্নিংদা হৌখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেলদা এন.এস.এ. খুনজেমনা সিক্সর স্কাউটপু ৱিকেট অনিদা থোইখ্রে। মেন ওফ দা মেটচনা এন.এস.এ.

খুনজেমগী শান্নরোই লোংজম রোনালনা তাখ্রে।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমুনা হায়রি-নুংশি চান্নবা, খাঙবা কনবা, অমনা অমবু ইকায় খুমবা অমসুং পুন্না দায়ত্ব লৌমীন্নবা হায়বসি শুপগী মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা ৱাখল্লোল অমখক নত্তে, মসিদি শক্তি লৈরবা অমসুং নুংশি চান্নবা অনৌবা মালেম অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা মচাকশিংনি।

হায়দ্রবাদকী গাজিবৌলিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাস্ত্রপতি মুরমুনা হায়-চাউখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবগীদমক মতমগা চুন্নবা শিক্ষা, ৱাখল লৌশিং লৈবা অমদি অকোইবগী ফিভমদা শোকহন্দবা মওংগী ইনোভেসন তঙাইফদে। স্প্রিচুয়েলিতি হায়বসি  মীওহবা জাতিদা অচুম্বা লম্বী উৎনবগী পাম্বৈ অমনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**জিতেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হকচাং নোইখৎলকপগী সমস্যা থিংনবা খুন্নাইগী কাংলুপ পুমমকা পুন্না হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবদু ফোংদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং নুমিৎ নিনি চত্থগদবা একিয়া ওসিনিয়া কনফরেন্স ওন ওবেসিতি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-হকচাংগী অরুম্বা অমদি নোইবা হন্থহন্নবগী দ্রগশিং নিয়ম চুমা শিজিন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-ভারত্তা শিবা মী মশিংগী চাদা ৬৩ দি লৌনগন্দবা মখলগী লায়নাশিং অমদি কা হেন্না নোইবগা মরী লৈনৈ। কা হেন্না নোইবা হন্থহন্নবা অরানবা মখলগী ই-পাউশিং, বৈগ্যানিক ওইদবা মখলগী থৌওংশিং অমদি শেন্দাল লম্বীশিংদা মীয়ামনা থাজবা তৌবীদনবসু মহাকা হায়রি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা চাবা থকপদা অমদি নোংমগী ইশাগী তৌগদবা থবক থৌরমশিং হোংদোকবা হায়রিবা অসিমক ওবেসিতিদগী ঙাকথোকপা হায়বসি জাতিগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকনি হায়বদু উৎলে হায়না মহাকা মখা তাখি।

**দিল্লিঃ** দিল্লি সরকারনা ইয়ার পোলুসন থিংনবা গ্রেট ষ্টেজ ফোরগী দ্রাইব মপুং ফানা চৎনহন্নবা হৌখ্রে।

ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি-মনজিন্দর সিংহ সিরসানা নুংশিৎ শেংহন্দ্রিবা উদ্যোগশিং অমদি কন্সত্রক্সন সাইটশিংদসু অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে। চেরোল অমদা সরকারনা হায়-পুন্না নন কমপ্লাইন্ট উদ্যোগ ৬১২ থিংজিল্লে অমসুং নুমিৎ হুমনিদা পি.য়ু.সি.সি. সার্টিফিকেট লাখ অমা হেন্না ইশু তৌখ্রে। সরকারনা গাড়িশিংগী চলান লিশিং ১২ ককপগা লোয়ননা গাড়ি লিশিং ১৬ হেন্না চেক তৌখি।

মরক অসিদা, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি অমসুং এন.সি.আরদা ঙরাং লৈচিল কুংনা থাবদগী এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিন তৌবা রেলগাড়ি চেনবদা অপনবা থোকখি। দিল্লি ইয়ারপোর্টনা হায়-ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা নীংথিনা উবা ফংদবদগী ফ্লাইট ১৩৮ লোম কেন্সেল তৌখি।

ইন্দিয়া রেলৱেজগী দিল্লি দিভিজননা হায়-দিল্লিদগী চেনবা রেলগাড়ি ৩৭ লোম পুং অনি হেন্না থেংথখি। মেট দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না ঙসিসু অয়ুক্কী মতমদা দিল্লিদা লৈচিল কংনা থাগনি হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী সেক্রেটরিনা বোর্ডর ফেন্সিং য়েংশিনখিবা, সাইন্স কোংগ্রেস ২০২৫ হৌদোকখিবা অমসুং জপানগী দেলিগেটশিং মনিপুর লাকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

বোর্ডর ফেন্সিং ককথৎলম্বগী ৱাথোক, এম.ঐচ.এগী সেক্রেটরি চৎলগা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ম্যান্মারদা পাঙথোক্কদবা মীখলগা মরী লৈননা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে, ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিং য়েংশিন্নবা ডা: রাজেন্দ্র কুমার মনিপুরদা থুংলরে হায়না সনা লৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু তোঙানবা মওংদা হেদলইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তমদা খুৎলাই লৌখৎপদা মীচং মীখায় নাইবগী মমী চাউনা তারে, ফিফতি ৱান এম.এম. মোটার সেগী বোম অমা পোকখায়রকপদগী অঙাং অহুম শোক্লে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরসি তোপ তোপ্পা ইকোসিষ্টেম লৈজবা মহৌশাগী লিবিং লেবোরেটরি অমনি হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউ-চেদা অহানবা হেদ লাইন তৌরি।

জপানগী দিলিগেটশিং মনিপুরদা থুংলখিবগী পাউ মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হৈরোক্তগী ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফাওবদা মিলিটরি এক্সরসাইজ চত্থরবা মতুংদা হোম মিনিষ্ট্রিগী বোর্ডর মেনেজমেন্টকী সেক্রেটরিনা মোরেদা চৎতুনা ঙমখৈদা দ্রোন অমসুং এদভান্স সেন্সর সিষ্টেম শীজিন্ননবা খঙহল্লল্লে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লৌমীশিংগী থাজবা ফংনবা ট্রেনিং ফংলবা ওফিসিএলশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌবীয়ু হায়বা হোর্টিকলচরগী দাইরেক্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মনিপুরি লোল ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল লেঙ্গোইজতা চলহন্নবা কমিতি শেমখ্রে হায়বা পাউ অমা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।